হুইয়েন লানপাও

ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা জাদোনাং মেমোরিএল পার্কতা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা লুচিংদুনা মীয়াম্না লৈ-শু কৎপগী শক্তম




লামায় ১

নেসনল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর প্রোগ্রাম স্কিমগী মখাদা পি এচ ই দিনা হয়েল লৌবুক্তা শাবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা এল এ মেঘচন্দ্রনা শঙ্গাবগী শক্তম



লামায় ২

মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদা শিব সেনা মণিপুর য়ুনিটকী প্রেসিদেন্ট এম তোম্বিনা লুচিংবা টিমনা গভর্নর উনবগী শক্তম



লামায় ৩

হোর্টিকলচর মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সিরারাখোং খুলদা পাঙথোকপা হাথৈ ফনিট (মোরোক কুম্ফে) হৌদোকপগী থৌরম



লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.157 | শগোলশেন, থৱান ১৯ নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশাং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, August 30, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৬.১৬
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৭.৬৯

# ওগষ্ট ২৯ ষ্টেট হোলিদে লাউথোক্লবা কেবিনেটতা খন্নরগনি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) :
ঐখোয় মশেল অমনা-অমবু ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা অমগী অৱাবদা পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্গৈইদা লৈবা লৈশাংখোং জেলিয়াংরোং ভিলেজদা পাঙথোকখিবা ৮৭ শুবা হাইপৌ জাদোনাং লৈখিদবগী নীংশিং থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, পোলিটিসিয়ন অমগী মথৌদি মীয়ামগী মতেং পাংবনি। মীয়ামগী য়াইফনবা খনদ্রবা অমসুং চাওখৎ-থৌরাং লৌখৎত্রবা মীহুৎ অদু মথংদা অমুক হন্না থাগৎলোইদবনি।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা খুঙ্গং চৎসি, চীংদা চৎসি, চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং অমসুং সী এম এস টিনচিংবা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। ষ্টেটকী মফম পুন্নমক থোং মান্ননা শেমগৎলবা মতমদা অপুনবগী শক্তম শাগৎপা ঙমগনি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লায়রবা অমসুং তোল্ল-তারবশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।




লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা অনৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, টমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ৪০ চঙনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা পায়খৎপা হোৎনরি। টমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ কার্টরদা শাবা রানি গাইদিনলিয়ু ৱিমেন্স মার্কেট লাক্লিবা সেপ্তেম্বরদা শঙ্গানবা পান্দম থল্লি। টামৈ ৱিমেন্স মার্কেটসু মতম অমদা হেক্তা শঙ্গাবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

ইমা লৈবাক্কীদমক লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা কৎথোক্লম্বগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংদা ইকাই খুম্নবা ওইনা জেনিমস রোদপু পুখ্রম্বা কাজাও রোদ অমসুং লম্ফেলদগী সিজ হোস্পিটাল তাবগী লম্বীবু চিরাই নাগা রোদ হায়না মীংথোন পীনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরে। হাইপৌ জাদোংনাংগুম্বা মথৌনা লৈরবা ফ্রীদম ফাইটর অমা মণিপুরদা পোক্লম্বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী চাওথোকচনিংঙাইনি।

হাইপৌ জাদোংনাং লৈখিদবা নুমিৎ ওগষ্ট ২৯ বু ষ্টেট হোলিদে ওইনা লাউথোক্লবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট কেবিনেটতা ৱাফম অসি পুথোক্তুনা কুপ্না খন্নরগনি। নুপীগী মায়োক্তা চখবা ক্রাইমগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা নুপীগী মায়োক্তা চখবা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওই ১১ কনভিক্সন পীখ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্টনা মীওই অমা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখি। অতোপ্পা মীওই অমবুনা পুন্সি চুপ্না জেলদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ট্রেনদা পুরকপা য়ুরিয়া বেগ ২৯,০৫১ জিরিবাম য়ৌরক্লে

## য়ুরিয়া পুবা ট্রক ৫০ দগী ১০০ রোম ঙসি ইম্ফাল য়ৌরক্লগনি

### য়ুরিয়া তাঙনা ফংহল্লিবশিং মীয়াম মাংদা পুথোক্লবা হোৎনরগনি : অকোম লূপ



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুরদা লৌমীশিংনা য়ুরিয়া ফংনদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবসি কোকহন্নবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন মশামক্না লৌখৎলকপা অখন্নবা খোঙথাংগী মখাদা নামরূপ্পুগী ট্রেনদা পুরকপা য়ুরিয়া বেগ ২৯,০৫১ ঙসি নুমিদাং জিরিবামদা য়ৌরকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুংইন্না ট্রেননা য়ুরিয়া চিংশিল্লকপগী থৌদাং লৌরিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ফৈরোইজম রাজেন্দ্রোনা পাউচে অসিদা হায়, ঙসি নুমিদাং জিরিবাম য়ৌরকখ্রবা য়ুরিয়াশিং অদু হয়েং অয়ুক অঙনবদা ট্রকশিংদা হাপকনি অমসুং অয়েৎপা-অপনবা অমত্তা থোক্তুগদি হয়েং নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালদা য়ৌরগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, বোগী ২১ দা পুরকপা য়ুরিয়া বেগশিং অদু ইম্ফালদা য়ৌহন্নবগীদমক ট্রক ৫০গী মথক্তা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। হয়েং অয়ুক ফাওবদা ট্রক ১০০ রোমদা হাপ্পনবা পান্দম থল্লি। য়ুরিয়া বেগশিং অদু হয়েং অমসুং হংচিৎ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল য়ৌননবা হোৎনগনি অমসুং হেক য়ৌবগা লৌমীশিংদা থিন্থবা তৌদনা ফংহন্ননবা থৌরাং তৌরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অতোপ্পা য়ুরিয়া বেগ ২৯,০৫০ অমসু ঙসি নোংমা নীনিসিগী মনুংদা নামরূপ্পুগী পোৎ পুবা ট্রেননা জিরিবাম ফাওবা চিংননবা থৌরাং লোইরে। মসিগীসু মথক্তা দিমাপুরদা হৌজিক-হৌজিক পৈদুনা লৈরিবা য়ুরিয়া বেগশিংসু ইম্ফালদা পুশিনবগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা ঙসি নোংমা নীনি অসিগী মনুংদা মণিপুরদা য়ুরিয়া ফংদবগী লৌমীশিংনা ৱানরিবসি কোকহনবা ঙম্লবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, মফম কয়াদা য়ুরিয়া তাঙনা ফংহল্লিবা মীওইশিং অসি মীয়াম মাংদা পুথোক্লবা হোৎনরগনি হায়না অকোম লূপকী প্রেসিদেন্ট ইন-চার্জ সঞ্জিৎ সোরাইসমনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

অকোম লূপকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সঞ্জিৎ সোরাইসমনা হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা হারগী ইস্যু অসিগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোঙদোক্লরকপা লৈরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেংদোক্লরক্লবসু হার অসি মণিপুর মনুংদা মীওই খরনা ব্লেক মার্কেট চখরব্রা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## য়ু এস আর এগী কম্মান্দর ইন চিফ হাৎপদা চেন্নবনি চিংনবা অনী ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ : লৈঙাক্লা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) তৌনরিবা য়ুনাইটেদ সোসলিষ্ট রিপব্লিকান আর্মি (য়ু এস আর এ) গী কম্মান্দর ইন চিফ লেমিন্থাং ৱাইফৈ হাৎপদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই অনী ফারে হায়রি।

পুলিসনা ফারবা মীওই অনী অদুদি, সাইকুল খুনৌদগী থাংলেনলাল মিসাও (৩২) অপোকপা সাইবোই মিসাও অমদি টি গাংফাইদগী থাংপি ৱাইফৈ (২৯) অপোকপা জুংখোপাও ৱাইফৈনি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা পাঙ্গৈ লম্বীদা অচৎ-অওক তৌবশিং চেক তৌখি। বস অমা খামদুনা চেক তৌবদা মীওই অনী মশক খঙদোক্লনবা লৌখৎখি। মখোয় অনী লেমিন্থাং ৱাইফৈ হাৎপদা চেন্নবা মীওইরা হায়বদু খঙদোক্লনবা ৱাহং-পাউহং চখুরি।

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৯.৯২ °C | ২২.৪০ °C |
| চান্দেল | ৩৩.৬৬ °C | ১৮.৯৩ °C |
| সীসীপুর | ২৯.৫০ °C | ২০.৬৯ °C |
| ইম্ফাল | ৩১.১৫ °C | ২২.৬৮ °C |
| সেনাপতি | ২৭.৬৪ °C | ১৭.৯৮ °C |
| তমেংলোং | ৩০.৫০ °C | ১৯.৬০ °C |
| থৌবাল | ৩৩.০১ °C | ২১.০৪ °C |
| উখ্রুল | ২২.০০ °C | ১৬.৯৩ °C |
| মণিপুর | ৩৩.৬৬ °C | ১৬.৯৩ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৬.৫৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৬
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 82.363556 |
| US Dollar | 70.625408 |
| British Pound | 90.995378 |
| Australian Dollar | 51.530836 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.343470 |
| Japanese Yen | 0.634653 |
| Malaysian Ringgit | 17.124297 |
| Norwegian Krone | 8.446956 |
| Singapore Dollar | 51.648160 |
| South Korean Won | 0.063436 |
| Swedish Krona | 7.700406 |
| Turkish Lira | 10.952695 |
| Myanmar Kyat | 0.04598 |
| Bangladesh Taka | 0.84506 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30684.49 |
| Mumbai | – | Rs 31614.97 |
| Delhi | – | Rs 31336.90 |
| Kolkata | – | Rs 31679.14 |

## HL POLL

Q : Tengnoupal District ki DC A Tombikanta tha 3 fadringeida transfer toubasi maram chai haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Athouba Haipou Jadonang leikhidabagi numit ashi state holiday laothokfam thok-e haina khanbra?

Yes 61% No 39%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

মোয় পাবুং লায়রবশিংগী করিনো খরা তৌবা চুমগনি...!




# মীয়াম্না য়ারোইদবা থবক তৌরগদি লৈঙাক্তগী তোক্কনি : ৱাই জয়কুমার



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপশিং য়াম্না কুপ্না য়েংলি, করিগুম্বা মীয়াম্না য়ারোইদবা থবক তৌরক্লগদি লৈঙাক অসিদগী তোক্কনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

হাইপৌ জাদোনাং ষ্টেচ্যু এন্দ পার্ক দিভলপমেন্ট কম হাইপৌ জাদোনাং দেথ এনিভর্সরি কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা জাদোনাং পার্কতা পাঙথোকখিবা ৪৭লকশুবা ষ্টেট লেবেল দেথ এনিভর্সরি ওফ হাইপৌ জাদোনাংগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দেপ্যুটি সী এম, ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, বৃটিশনা হাইপৌ জাদোনাংদা মরাল কয়া শীজিল্লগা হাৎখি। ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওরিবা থাজবা মাঙহনবা কাঙবুশিংদগী চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাক্না হায়খি, মণিপুরগী নিংথৌ মচা মশেলগী মরক্তা খৎনবা অমদি মপানগী মী পুশিল্লক্লগা ঐখোয়গী নিংতম্বা মাঙহনখিবসি নীংশিংলিবা ৱারী ঙাক্তনি। চহী তরেৎ খুন্তাকপা করিদগী থোকখি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রী-মেন্টকী মতাংদা ঙাংনরিবশিং অসি ঐখোয়না য়েংগদবদি ফুরুপ-ফুরুপকী ওইনা ওটোনোমি পীবা য়ারোই। য়ারোইদবা লৈরগদি ঐখোয়না চপ চানা য়ারোই হায়বা ৱাফম লাক্কনি। ঐখোয়গী লৈঙাক ফাওবা তোকথোক্কনি হায়বগী ফিরেপ লৈতবা নত্তে। ঙাংবা ঙাক্তনা ওইগদবা নত্তে। ৱারোইশিন অসি ইরায় লায়না পুরকপা য়াবা নত্তে। মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা তারবদি ঐখোয়গী লৈঙাক ফাওবা তোক্কনি। হাইপৌ জাদোনাংনা মতম অদুদা চৎলম্লিবা ফ্রীদম মুভমেন্ট অসি নেসনেলিষ্ট অমা ওইনা লৌবা য়াই। মহাক লাইরিক হৈত্তে অদুবু মাগী ৱাখলদা সোসল রিফোর্মর অমনি। জাদোনাংদা লৈখিবা ৱাখল অমদি তৌখিবা থবকশিং নীংশিংবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা অমুকোগী প্রেসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা হায়খি, মমাংগী লৈঙাক্লা অফবা ময়াম অমসু তৌরম্মী। ফত্তবা ময়ামসু ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# চীফ মিনিষ্টরনা গাড়ী খামহল্লগা মেমোরেন্দম লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
ৱাঙ্গৈই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদগী ক্লাস ইলেভেন তম্লিবী, মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবী মহৈরোয় অমা হোষ্টেলগী ৱার্দেন্না ফম্লানবীখ্রে হায়বা ৱাথোক্তা মরী লৈননা মীয়াম্না লম্বীদা প্রোটেষ্ট তৌরিঙৈদা চীফ মিনিষ্টরনা গাড়ীদগী কুমথরগা মীয়ামগী ৱাকৎ তাবগা লোয়ননা মেমোরেন্দম মখূৎমক্না লৌখ্রে।

মহৈরোয়শিং অমসুং মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না লম্বীগী মতায়দা লেপ্তুনা ফম্লানবদা চেন্নবা ওজা চৈরাক পীযু হায়না প্রোটেষ্ট তৌরিঙৈদা চীফ মিনিষ্টর লৈশাংখোংদা হাইপৌ জাদোনাং লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম য়াওবা লাকখি। ৱাঙ্গৈই এ সীগী এম এল এ, ওইনাম লুখোই অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি যোগেশচন্দ্র হাওবিজমনা মীয়াম অদুবু নীংথিনা ৱারী শানদুনা লাক-শিন্দুনা থল্লবা তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা গাড়ীদগী কুমথরগা মীয়ামগা উনখি হায়রি।

মীয়ামগী প্রোটেষ্ট মরক্তা শরুক য়ারম্বা ভিক্টিম ওইরবী নুপীমচা অদুগী অপোকপীগা চীফ মিনিষ্টরগা উনখি। উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফম্লানবগী থৌদোক্তা চেন্নবা অমত্তা লৈঙাক অসিনা লেম্না থারোই, লোগী মতুংইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনগনি হায়না থাজবা পীরমখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা হায়খি, প্রাইভেট স্কুলশিং অমদি হোষ্টেলশিংদা অসিগুম্বা মীয়াম্না পামদবা ক্রাইমশিং থোরক্লিবা অসি থিংনবা লৈঙাক্লা অখন্নবা কম্মিটি অমা শেম্লে। অথুবা মতমদা পরম চুম্না হাংলমদবা প্রাইভেট স্কুল অমদি হোষ্টেলশিং থিগৎলগা লৈঙাক্লা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি। থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং লেম্না থারোই। চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা ফম্লানবদা চেন্নে হায়না মরাল শীরিবা ৱার্দেন অদুগী মমীং অবুজম তোম্বীসনা (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা থম্বাল কৌই। মহাক পার্ট টাইম ওইনা ৱাঙ্গৈইদা লৈবা লিট্টল মাষ্টর হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ওজা ওই হায়রি। মহাক্না ময়ুমদা লিংখৎপা হোষ্টেলদা লৈবী মহৈরোয় নুপীমচা অদু চহী অসিগী মার্চ ১৩ দা ফম্লানবীখি হায়না মরাল শীরি।

থা অসিগী ২৭ তা ভিক্টিম ওইরিবী মহৈরোয় নুপীমচা অদুনা হোষ্টেলগী ৱার্দেন তোম্বীসনাবু হাৎকনি হায়না ময়ূমদগী থোকখিবদা করি মরমগীদমক ওজা হাৎকদৌরিবনো হায়না মমানা হংলুবদা থোকখিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অদু লোইনমক হায়দোরকপনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মচানুপীগী ৱা তারবা তুংদা মমা-মচা হৌনরগা ৱার্দেন ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# দি এ চাদা ২ হেনগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি) : য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী দিয়রনেস এলাওৱেন্স (দি এ) চাদা ২ হেনগৎপদা অয়াবা পীখ্রে। হেনগৎলবা দি এগী শেনফম অসি হৌখিবা জুলাই ১দগী চৎনবা হৌরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম্না পেন্সন্নরশিংগী দিয়রনেস রিলিফ (দি আর) ইন্সটোলমেন্ট অমা থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখি। পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎলকপগী ফিভম য়েংলগা অহেনবা ওইনা বেসিক পে নৎত্রগা পেন্সনগী চাদা ২ হেনগৎনবা ৱাফম অয়াবা পীখিবনি। দিয়রনেস এলাওৱেন্স অমসুং দিয়রনেস রিলিফ হেনগৎপনা শেনবা চহী ২০১৮-১৯ দা লৈঙাক্লা অহেনবা শেনফম মথংশিংনা লুপা ক্রোর ৬১১২.২০ অমসুং লুপা ক্রোর ৪০৭৪.৮০ চাদিং তৌরগনি।

কেবিনেটকী ৱারেপ অসিনা সেন্ট্রেল ভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ী লাখ ৪৮.৪১ অমসুং পেন্সনর লাখ ৬২.০৩ দা কান্নবা ফংহল্লগনি। তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন মতুং ইন্না দি এ অমসুং দি আর হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি। মখা লামায় ৩ কলম ২

# পিপলস ৱার গ্রুপকী চ্যেরমেন খোইরাংবা দিল্লি পুলিসনা ফারে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি) :
লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি - পিপলস ৱার গ্রুপ (কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি)গী চ্যেরমেন দিল্লিদা ফারে হায়না দিল্লি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লি পুলিসকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর সঞ্জিব কুমার যাদবনা এজেন্সিদা হায়, থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী সাউথ দিল্লিগী কোর্টলা মুবারকপুরদা ঙরাং থিবা-হুম্বগী থবক চখবদা কে সী পি -পি দব্লিয়ু জিগী চ্যেরমেন ওইনাম ইবোচৌবা এলিয়স খোইরাংবা (৪৫) ফাখিবনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ওইনাম ইবোচৌবনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লূপ অসিগী মশা-মরেং



শন্দোক্লবা হোৎনরম্মী। ওগষ্ট ১১ দা মহাক্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক, নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমসুং বোর্দর পিল্লরগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# 'সেপ্টেম্বর থাদা কলচরেল পোলিসি পুথোক্লগনি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুরগী কলচরেল পোলিসি চহীসিগী সেপ্টেম্বর থাগী অরোইবদা পুথোক্লগনি হায়না আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ১৪ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, লমদম অসিগী কলচর এক্টিভিষ্টশিংগা লোয়ননা কলচর পোলিসি পুথোক্লবা হোৎনরকপা অদু চহীসিগী সেপ্টেম্বরগী অরোইবদা পুথোক্লবা হোৎনরি। মণিপুর ফিল্ম ফেষ্টিবেল অমদি চহীগী এৱার্দ পীনবসু হোৎনরি। মসি পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা ফিল্মগীদমক চেন-চোংলিবশিংগী মতেং চঙই। মমাংগী লৈঙাক্লা ফিল্ম পোলিসি অসি শরূ




পোলাং ওইনা থম্লম্বনি। থম্বীরম্বা অসিবুদি নুংঙাই। হৌজিক পোলিসি রিভিয়ু তৌবা লোইরে। কেবিনেট দিসিজন অমসুং নোটিফিকেসন চঙবা মরম্না ঙাইনবনি। মথং থাগী অরোইবদা অহিংবা ওইনা পুথোক্লগনি। ফিল্মগী ইন্সটিট্যুসন অসি মপূং ফানা লৈহন্নবগীদমক প্রোফেসর অমসুং ওজা ৱাৎলিবা ময়াম অসি লৌনবা শেম শাবা লোইরে। হৌজিক লৈরিবা মফম অসিনা য়াদবা মরম্না ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট লিংনবা লৈঙাক্লা চীংখুদা লম পীরে। মফম অসিদা ফেন্সিং তৌশিনবগী থবক মথং থাদগী হৌরগনি। তোঙৌদসু ফিল্ম ইন্সটিট্যু-সন হাংনবা শেম শারি। হাওতক্তসু লৌ পরি ২৫গী মফম পীগে হায়রে। ফিল্ম ইন্সটিট্যুট লিংবগী অপাম্বা মীয়াম্না লৈরি। মখা লামায় ৩ কলম ২

# মীয়াম নৎত্রগা আই-এমদা বি জে পিনা মীনল্লে : জয়কিষন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না মণিপুর মীয়ামদা নৎত্রগা এন এস সী এন (আই-এম) দা মীনল্লে হায়না এম পি সী সীগী ৱাঙাংলোয় খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা অমদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্তা সাইন তৌনরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা নাগা ইচিল-ইনাওশিংদা ইমোসনেল ওইবা ইস্যু শাগৎলগা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা এন এস সী এন (আই-এম) দা অরানবা ৱাফম হায়জিনব্রা? মসি




নৎত্রগা মণিপুর মীয়ামদা অরানবা ৱাফম কয়া হায়জিল্লগা নুংনাংবা পোকহন্দুনা উংখৎনবা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি বি জে পিগী গেম প্লাননি। অসিগুম্বা মতৌ অসি কুইবা য়ারোই। দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা হায়বদি মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্ত্রিঙৈদা বি জে পিনা শান্নরিবা লীলা অসি লৈবাক মীয়াম্না খঙনরক্লগনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর শোক্লোই হায়রবা, মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট কায়গদবা অমত্তা তৌরোই হায়বা মতমদা মণিপুরগী মীয়াম্না করিগী য়ারোই। কোংগ্রেসনসু মণিপুর কায়হল্লোই নৎত্রগা মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোক্লোই হায়রবদি ৱারোইশিন পুরকপদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মণিপুরদা করিমত্তা শোক্লোই হায়রগা ৱারোইশিন পুরকপদা থেংথহনবা অসিদি লমদমসিগী লৈরিবা ইস্যুশিং নাথৈহন্নবা তৌবনি।

ক্বাথাদনা বোর্দরগী ইস্যু থোকহল্লগা মণিপুর মীয়াম্বু চরাংনহনবা, এম য়ুগী ৱাথোক্তা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪




HL-P/5255/21/08-20/09